# বাংলাদেশতা ফেরি লূপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ২৬ শিরে



ধাকা, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী):

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা বাংলাদেশকী সিতা লক্ষ্য়া তুরেলদা কার্গো ভেসেল অমগা ফেরি অমগা থেংজিন্নবদগী ফেরি অদু মথক-মখা ওন্দুনা ঈশিংদা লূপখিবগী থৌদোক্তা মীওই ২৬ শিরে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা লোকল ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকপদা নরায়নগঞ্জদা লৈবা তুরেলদা লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। ফেরি অদুদা মীওই ৪৬ তোংলগা লাকখিবনি। অদুবু তুরেলগী ময়ায় ওইরপ্পা কার্গো ভেসেল অমগা থেংজিন্নবদগী ফেরি অদু লূপখিবনি।

ধাকাদগী কিলোমিটর ২০লোম চৎলগা লৈবা তুরেল অদুদা ফেরি লূপ্পগী পাউ হেক ফংবগা ফায়র সর্ভিসনা মফমদুদা চঙশিন্দুনা মী কনবগী থবক চথুবা হৌখি। থৌদোক অদুদা অহানবগী ওইনা মীওই ২১গী অশিবা হকচাং ফংবা ঙমখি। মখা তানা ফেরি অদু লৌখৎলবা মতুং মনুংদা মীওই ৫ অমসু শিরগা য়াওরমখিবনি।

মীওই ২০দি ফেরি লূপ্পগী থৌদোক অদুদা তেক্ত-কায়দনা তোর্ব্বান তম্না ঈরোইদুনা লাকখি। মতৌ করম্না কার্গো ভেসেল অদু মফমদুদা চঙলকখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চাবা খঙবা ঙমদ্রি। মদুগী মতাংদা অখন্নবা পুলিস টিম অমা শেম্লগা থিগৎপা হৌরগনি।কার্গো ভেসেল অদু করম্না পোৎ-চৈশিং পুরগা লাকখিবনো হায়বদু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ওফিসলশিংনা মীয়ামদা চপ চানা খঙহনবা লৈত্রি। অদুম ওইনমক, কার্গো ভেসেল অদু ফাজিন্দুনা থমখ্রে হায়রি।

বাংলাদেশতা হি নৎত্রগনা ফেরি লূপ্পগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্লি। বাংলাদেশ গভর্ণমেন্টনসু হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক কয়া পায়খৎলবসু অসিগুম্বা মখলগী থৌদোকশিং অসি মপূং ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রি। মমাঙ চহীদসু হি লূপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ৭৮ শিখি।

অমরোমদা, মথোল লোংবা সবিট অল-হাসন ফেরি লূপ্পগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা গভর্ণমেন্টনা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুগী মতাংদসু গভর্ণমেন্টনা অহেনবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা ফেরিশিংনা নম্না মথৌ তৌদুনা লৈরিবা তুরেল অদুদা ভেসেল অদু চঙলকখিবগী মরম অথুবা মতমদা মীয়ামদা খঙহল্লগনি অমদি কার্গো ভেসেল অদু করম্বা কম্পনিগী থবক তৌবনো হায়বদুসু অথুবা মতমদা খঙবা ঙম্নবা হোৎনরগনি হায়রি।

বাংলাদেশতা ফেরি এক্সিদেন্ট অসি য়াম্না কম্মন ওইনা থোকপা থৌদোক অমা ওইরি। বাংলাদেশতা লৈরিবা মীওইশিং অমদি লৈবাক অদুদা লম কোয়বা লাকপা মীওইশিংনসু চথোক-চৎশিনগী থবক্তা ফেরি তোংদুনা চৎনিংবগী অপাম্বা ফাওরি। মরু ওইনা লৈবাক অদুগী খা থংবা কোষ্টেল রিজন্দা ফেরি সর্ভিসকী থবক মপূং ফানা তৌরি। অদুবু বাংলাদেশতা মথৌ তৌরিবা ফেরি নৎত্রগা ভেসেলশিং অদু মেন্টিনান্স ৱাৎপদগী থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্লি হায়না এক্সপর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি। মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা লৈবাক অদুদা সর্ভিস তৌরিবা ফেরি অমসুং ভেসেলশিং মতম চানা শেমজিন শাজিনবগী থবক পায়খত্তবনা মরম ওইরগা এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং ৱাংখৎলকপনি হায়নসু এক্সপর্ট টিম অমনা ফোঙদোক্লি।

নাকল অমরোমদা, লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ কা-হেন্না শন্দোরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা নুমিৎ ৭নি লোক দাওন লাউথোকখ্রবসু ঈশিংগী লম্বীশিংদা থবক তৌবগী মমি চাওনা তারি। মরম অদুনা লৈবাক অদুগী ওইনা বস, ফেরি অমদি ট্রেন অমসুং ফ্লাইট সর্ভিসশিং ঙসিদগী সস্পেন্দ তৌরে। দুকান অমদি মোলশিংসু চয়োল অমা চুপ্পা থিংলগনি অমদি নুমিদাংগী মতাংদা লৈবাক শীনবা থুংনা কর্ফিয়ু লৈগনি।

পব্লিক অমসুং প্রাইভেট সেক্টর বিজিনেসশিংগী ওইনা মথৌ তাবা মীওইখক্তমক ওফিসতা চৎপা য়াগনি।

# ইন্দোনেসিয়া অমসুং ইষ্ট টিমোরদা ঈচাওনা শিহনখিবা মশীং ৮৭ শুখ্রে



জকার্টা, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী):

ইন্দোনেসিয়াদা অকনবা নোংনা থোকহনখিবা ঈচাওদা শিখিবা মী মশিং ৮৭ শুখিবগা লোয়ননা কয়া অমনা থিবা ফংদনা লৈরি হায়না ওফিসলশিংনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

ইন্দোনেসিয়াদা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা চুখিবা অকনবা নোংনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী মফম খরদা চীং নিংখায়বগী থৌদোক থোকহনখিবগা লোয়ননা ঈচাও থোকহনখিবনি। লৈখোম লৈনাং য়াওবা ঈচাও অদুনা মরম ওইরগা ইন্দোনেসিয়াগী মফম খরদা চাওনা অমাঙ-অতা থোকহনখি। ইষ্ট টিমোরদসু অকনবা নোং অদুনা লেন্দস্লাইদ থোকহল্লক-পদগী চাওনা অমাঙ-অতা থোকহনখিবনি হায়রি।

ইন্দোনেসিয়াগী দিজাষ্টর এজেন্সীনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অদুদা ঈচাও অদুনা মীওই ৬৬ শিহনখ্রে। অদুগা খরনা থিবা ফংদনা লৈরি। ফায়র সর্ভিসনসু মফমদুদা চঙশিন্দুনা মী কনবগী থবক অকনবা মওংদা চথুরি। ইষ্ট টিমোরগী ওইনা লেন্দস্লাইদ অদুদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ২১ শিহনখ্রে। লোয়ননা য়ূম কয়া অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে।

ইন্দোনেসিয়াগী ওইনসু ঈচাও অদুনা মরম ওইরগা থোং অনী অমাঙ-অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা য়ূম ১৪০ হেন্না মাঙ-তাকহনখ্রে। ইন্দোনেসিয়া গভর্ণমেন্টনা নোংথক্কী মতেংগা লোয়ননা মী কনবা অমদি থিবগী থবক অকনবা মওংদা চথুরি। হৌজিক থিবা ফংদনা লৈরিবা মীওইশিং অদু শিরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। অমরোমদা, ইষ্ট টিমোরগী মীওই ২,৫০০ রোম শাফগদবা মফমশিংদা গভর্ণমেন্ট ওথোরিটিনা পুথোরকখ্রে হায়রি।

# সুদানদা ত্রাইবেল মশেল খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা মীওই ১৮ শিরে, ৫৪ শোক্লে

খর্টৌম, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী):

সুদানগী এল জেনৈনা সিটিদা ঙসি ত্রাইবেল মশেলগী মরক্তা থোকখিবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদা মীওই ১৮ শিখিবগা লোয়ননা ৫৪ অশোক অপন নংলে হায়না মেদিকশিংনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অদুদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা খূৎলায় পায়বশিংগী মরক্তা পীছ এগ্রীমেন্ট অমা সাইন তৌনখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদগী য়ু এন পীছ কীপরশিং লৌথোকখ্রে। মদুগী মতুং ত্রাইবেলশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

হৌখিবা জন্যুৱারী থাদসু মিলিটরিনা অল জেনৈনাদা মীওই ১২৯ হাৎখি। মীয়াম্না ঈহৌ হৌরকপদগী মফম অদুদা দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরম্বা মিলিটরি অয়াম্বা লৌথোকখ্রে।

মিলিটরিশিং মফম অদুদগী লৌথোকখ্রবসু মসালিট মেম্বরশিং অমসুং অরব ত্রাইবশিংগী মরক্তা য়াম্না তোয়না উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোক্লি। হৌখিবা থাংজ নুমিত্তগী হৌরগা ঙসি ফাওবদা নাকল অনীগী মরক্তা মুক্নদুনা লাক্লি হায়না ৱেষ্ট দরফুর দোক্টর্স কম্মিটিনা ফোঙদোরক্লি।

কম্মিটি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, সুদানদা তংদু-লৈতাবা পুরক্লবগীদমক য়ু এননা অকনবা মওংদা হোৎনদুনা লাক্লি। অদুবু সুদান মনুংগী ওইবা প্রোব্লেম কয়ানা য়ু এনগী হোৎনজমন অদু অরেম্বদা তাহল্লি।

লৈবাক অদুগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ওমর অল-বাসির শৌগৎপা কাঙবু অমদি নৌনা শেমখ্রবা সুদানি গভর্ণমেন্টকী ফোর্সশিংগা য়াম্না তোয়না খূৎ থোক্লরি। মমাঙ চহীগী ওক্টোবর থাদা নৌনা শেমখ্রবা সুদানিজ গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওমার অল-বাসিরবু নমথুবদা মতেং পাংখিবা রিবেল গ্রুপ খরগা পীছ এগ্রীমেন্ট অমা সাইন তৌনখি। অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি সুদানদা ঈং-তপ্পা হায়বদু পুরকপা ঙমদ্রি।

হান্নগী প্রসিদেন্ট বাসিরনা অরব ত্রাইবশিংদা অহেনবা খূৎশু -খূৎলায় কয়া সপ্লায় তৌদুনা নৌনা শেমখ্রবা গভর্ণমেন্ট অদুগী মায়োক্তা ঈহৌ হৌরি। সুদানদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বা মশাগী অমদি ইমুং মনুংগী য়েংলগা লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎনবা হৌখ্রে।

# ইরাননা ইজরেলি স্পাই য়াওনা অতোপ্পা মীওই খরা ফাজিনখ্রে

দুবাই, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী):

ইরাননা ইজরেলি স্পাই অমা য়াওনা ফোরেন ইন্টলিজেন্স সভির্সশিংগা পাউফাওনবা মীওইশিংনি হায়বা খরা ফাজিন্দুনা থমখ্রে হায়না ইরানিয়ন ষ্টেট মিদিয়াগী রিপোর্ট অমনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

মীওই খরা অরোনবা থবক তৌরম্বগীদমক ইরাননা ফারে হায়না ফোঙদোরক্লবসু করম্বা লৈবাক্কী মীওইশিংনো হায়বদুদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইরানগী মায়কৈদগী খঙহল্লকপা লৈত্রি।

ইরানগী ইন্টলিজেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাঙলোয় অমনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোরকখিবদা, লৈবাক অদুগী ইষ্ট অজরবাইজান প্রোভিন্সতগী ইজরেলি স্পাই অদু ফাবা ঙমখিবনি। মহাক্তা নত্তনা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী ইন্টলিজেন্স সর্ভিসশিংগা কন্টেক্ট লৈনবা স্পাই খরসু ফাখিবনি। ইন্টলিজেন্স সর্ভিসশিংনা চপ চাবা পাউ ফংলবা মতুং অতোপ্পা লৈবাক্কী স্পাইশিং অদু ফাখিবনি হায়রি।

ইজরেলগী মায়কৈদগীদি থৌদোক অদুগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা কুমজা ২০২০ দসু ইরাননা য়ু এস স্পাই অমা অমসুং ইজরেলি ইন্টলিজেন্সকী মেম্বর অমা লৈবাক অদুদা নারোন্দা চঙলক্তুনা ন্যুক্লিয়র খূৎলায়গী মতাংদা পাউ লৌরম্মী হায়বগীদমক শিবগী চৈরাক পীবা লৈখ্রে।

# ভ্লাদিমির পুটিননা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট মখা তানা ওইবদা লো মেকরশিংনা অয়াবা পীখ্রে

মোস্কো, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী):

রসিয়ান প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিননা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ওইনা মখা তানা টর্ম অনী মথৌ তৌবদা লেজিসলেসনশিংনা অয়াবা পীখ্রে। লাক্কদৌরিবা চহী তরুক অসি পুটিননা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট য়েৎনবা লৈতনা ওইখিগনি হায়রি।

মশাগী চহী ৬৮লোম শুরবা পুটিননা লৈবাক অদুদা পাৱর পায়রক্লিবসি চহী দিকেদ অনী হেঞ্জিল্লক্লে। পুটিননা মখা তানা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ওইনবগীদমক লো মেকরশিংদা খঙহনখ্রবা মতুং লো মেকরশিংনসু মহাকপু চহী তরুক মখা তানা প্রসিদেন্ট ওইনা মথৌ তৌবদা অয়াবা পীরকখিবনি।

লাক্লিবা কুমজা ২০৩৬ ফাওবা পুটিননা রসিয়াদা পাৱর পায়রবা য়ানা লৈরি। হৌখিবা কুমজা ২০০০দা পুটিন রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখিবনি। মদুগী মতুং টর্ম অনী মহাক প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুখি। কুমজা ২০০৮দা দামিত্রি মেদভেদেবনা পুটিন মায়থিবা পীদুনা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট অমুক ওইখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১২দা ক্রেমলিনদা পুটিনগী লৈঙাক অমুক হল্লকখিবনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৮-দসু পুটিননা চাওনা মায় পাক্তুনা প্রসিদেন্টকী ফম পায়দুনা লাকখিবনি। লৈবাক অদুগী লো মেকরশিংনসু পুটিনবু প্রসিদেন্ট ওইনা মতম খরা লৈহনবা পাম্লি। মদুনা মরম ওইরগা পুটিননা মখা তানা প্রসিদেন্ট ওইনবা খঙহল্লকখিবা অদু লো মেকরশিংনা অয়াবা পীখিবনি।

অমরোমদা, ক্রেমলিন ওপো-নেন্টশিংনা ভ্লাদিমির পুটিনবু টর্ম অনীরক লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ওইহনবদা লো মেকরশিংনা অয়াবা পীখিবা অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক-খিবগা লোয়ননা পুটিননা মহাক শিদ্রিবা ফাওবা প্রসিদেন্টকী ফম পায়নবা হোৎনরি হায়খি।

ক্রেমলিনদা পূকচেল শেংনা ইলেক্সন তৌরবদি পুটিন মায়থিবা নংলগনি খঙবদগী নম্ফুদা লাক্লিবা টর্ম অনীরক প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুনবা মহাক্কা অমদি লৈবাক অদুগী লো মেকরশিংগা লৌতুনরগা চথুরকখিবা খোঙথাং অসি তরাইনা লৌদে। মীয়াম্ন সু হীরম অসিগী মতাংদা ফোংনা ৱা ঙাঙবগী মতম ওইরে হায়না ক্রেমলিন ওপোনেন্টশিংনা মখা তাখি।

# ম্যান্মার মিলিটরিনা মমাঙ থাদা ফাজিন্দুনা থমখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন কপল চার্জ অমত্তা তৌদনা থাদোরকখ্রে

কেনবেরা, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী):

ম্যান্মারদা মমাঙ থাদা মিলিটরিনা ফাজিন্দুনা থমখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন মতৈ-মনাও ঙসি মখোয় অনীগী মথক্তা চার্জ অমত্তা তৌদনা সাওথ ইষ্ট এসিয়ান কন্ট্রি থাদোকপদা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা মিলিটরিনা থাদোরকখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ওষ্ট্রেলিয়ন দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেন এফ্যেয়র্স এন্দ ট্রেদকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবদা, হৌখিবা মার্চ থাগী অঙনবদা ম্যান্মার মিলিটরিনা ওষ্ট্রেলিয়ন মতৈ-মনাও অদু মরম অমত্তা পীদনা ফাজিনখিবনি। মখোয় অনী ফাজিন্দুনা থম্বগী পাউ হেক ফংবগা ওষ্ট্রেলিয়গী মায়কৈদগী মখোয় অনীবু তেক্ত-কায়দনা থাদোরক্লবা ৱাফম কয়া থমখি। অদুবু ম্যান্মার মিলিটরিগী মায়কৈদগী পাউখুম অমত্তা পীরকখিদে।





ঙরাং য়াম্না থাজদবা মওংদা ওষ্ট্রেলিয়ন মতৈ-মনাও মেথিও ও’কেন অমসুং খৃষ্ট এভেরি ম্যান্মারগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি য়াঙ্গোনদা থাদোকখিবনি। মতৈ-মনাও অদু ওষ্ট্রেলিয়াদা তেক্ত-কায়দনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম থুংলখ্রে। ম্যান্মার মিলিটরিনা ফাজিন্দুনা থম্লুরিবা মতৈ-মনাও অদু লৈবাক অদুদা বিজিনেস তৌদুনা লৈবনি। মমাঙ থাদা মতৈ-মনাও অদুনা লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎনবা হোৎনবদা মিলিটরিনা অথিংবা থমখিবগা লোয়ননা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা লাকখিবনি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১দগী ম্যান্মারদা মিলিটরিনা অমুক হন্না পাৱর পায়শিনখিবদগী চরাংনবা ফিভম অমদা লৈরি। মদুনা মরম ওইরগা মতৈ-মনাও অদুনা লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎনবা হোৎনবদা অথিংবা থমখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

অমরোমদা, ঙরাং চার্জ অমত্তা তৌদনা থাদোরকখ্রবা ওষ্ট্রেলিয়ন খৃষ্ট এভেরিনা ফোঙদোকখিবদা, মখোয়বু তেক্ত-কায়দনা অমদি চার্জ অমত্তা তৌদনা মিলিটরিনা থাদোরকখিবা অদু নুংঙাইবা ফাওই। ওষ্ট্রেলিয়াদা হল্লকপগী লম্বীদা মতৈ-মনাও নুংঙাইবগী ঙমখৈ লৈখিদে। ঐখোয়না অরানবা অমত্তা তৌখিদ্রবসু মিলিটরিনা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখিবা অদুদা ৱাখল্লোন্দা নুংঙাইতবা কয়া ফাওখি।

চয়োল অনী হাউস এরেষ্ট তৌদুনা লৈখিবা মতমদা নত্তবা ৱাখল কয়া খনখি। ম্যান্মারদা মিলিটরি জুন্টা লাকখ্রবা মতুংদা চরাংনবা ফিভম অমা লাক্লিবা অদুনা মরম ওইরগা মখোয়দু খুদোংথিবা থোক্লবা য়াই হায়না চিংনবা ফাওখি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, ম্যান্মারদা মিলিটরি জুন্টা লাকখ্রবা মতুং হৌজিক্ ফাওবদা মিলিটরিনা মীওই ২,৫০০ হেন্না ফাজিন্দুনা থমখ্রে। কেনবেরানাসু নেপিটোদা মিলিটরি কোওপরেসন পীবগী থবকসু খূদক্তগী লেপখ্রে।

# ওং সান সু চিগী গভর্ণমেন্ট অমা লৈহন্নবা তকশিল্লক্লি

## ম্যান্মারদা মিলিটরি জুন্টা লাকখ্রবা মতুং শিখিবা মশীং ৫৬৪ শুখ্রে

নেপিটো, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী):

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১দা ম্যান্মার মিলিটরিনা ওং সান সু চিনা লুচিংবা ইলেক্টেদ গভর্ণমেন্টপু কূ তৌদুনা ইন্থুখ্রবা মতুং লুচিংবা কয়া ফাজিন্দুনা থমখিবা অদু থাদোরক্লবা ম্যান্মারগী মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনখ্রে। খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়ামগী মায়োক্তা মিলিটরিনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা অঙাং ৪৭ য়াওনা মীওই ৫৬৪ শিহনখ্রে।



ম্যান্মারদা লৈরিবা মীয়াম্না লুচিংবী ওং সান সু চিবু থাদোরক্লবা লৈবাক শীনবা থুংনা খোঙজং চঙশিনখ্রে। মীয়াম্না চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা ম্যান্মার মিলিটরিনা চথুখিবা অহেনবা থৌওংশিংদা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা মীওই ৬ শিখি।

মিলিটরিনা চথুরিবা অহেনবা খোঙজংশিং অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা মীয়াম্না খোল্লাও কয়া লাউরবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি কান্নবা ফংদ্রি। লৈবাক অদুদা লৈরিবা অপীকপা ফুরুপশিংগী খূৎলায় পায়বা মীওইশিংনা অৱাবা তারবা মীয়ামবু মতেং পাংবগী থবক চথুরি অমদি মিলিটরিগী মথক্তা ঈহৌ হৌনবা খূৎলায় পায়বা লুপশিংনা হোৎনরক্লিবা অদু লৈবাক অদুগী মীয়াম্না পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

ঙসি ম্যান্মারদা চঙশিনখিবা খোঙজংদা শরুক য়াখিবা ঐ থিঞ্জার মাওংনা ফোঙদোকখিবদা, মিলিটরিনা লৈবাক অদুদা চথুরিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং অদু মালেমগী লৈবাকশিংনা খঙদনবগীদমক ইন্টরনেট সর্ভিসশিং থিংজিন্দুনা থমখ্রে। নিয়ম চুম্না খোঙজং চঙশিল্লিবা খোঙজংলোইশিংগী মরক্তা পুলিস অমদি মিলিটরিনা টিয়ার গ্যাস অমসুং রব্বর বুল্লেট সেলশিং কাপশিন্দুনা শাউহন্নবা হোৎনরি।

খোঙজংলোইশিংগী মরক্তা ৱাখল্লোন মপূং ফানা খন্থবা ঙমদ্রিবা নহাশিংনা টিয়ার গ্যাস কাপ্পক্লিবা পুলিস নৎত্রগা মিলিটরিগী মায়োক্তা নুঙ থাজিনবগী থবক হেক হেক থোক্লি। মদুগী খুদোংচাবা লৌরগা মিলিটরিনা খোঙজং চঙশিল্লিবা মীওইশিংদা অতম্নবা নোংমৈ কাপ্পগী থবকশিং চথুরি। লৈবাক অদুদা লৈরিবা মালেম্না শকখঙলবা সেলিব্রিটিশিংনা মিলিটরি জুন্টাগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙলুবগীদমক মখোয়বুসু ফাগদবগী কোইতান তানরি। মালেমগী মরু ওইনা য়ূমথংনরিবা লৈবাকশিংনা ম্যান্মারদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা ৱারোইশিন পুরক্লবগী মতম ওইরে হায়রি।

অমরোমদা, এসোসিএসন ওফ সাওথ ইষ্ট এসিয়ান নেসন্সকী চেয়রমেন ব্রুনৈনা ম্যান্মারদা ওইরিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা খন্ননবগী-দমক লৈবাক লৈবাকশিংদা খঙহন-খিবগা লোয়ননা জকার্টাদা অথুবা মতমদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ম্যান্মারগী ৱাথোক লোইশিলহন্নবগী মতাংদা ৱা খন্ননবা হৌদোকখ্রে। মালেসিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মুহিদিন য়াসিননসু ম্যান্মারগী থৌদোক অদুবু নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ফাজিনখিবা লুচিংবশিং থাদোক্লবা আপীল তৌরক্লি।

# ‘চাইনীজ জেটশিং দিফেন্স জোন মনাক্তা তোয়না পাইশিল্লক্লি’

টাইপৈ, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী):

চাইনাগী এয়র ফোর্সশিংনা টাইৱানগী দিফেন্স জোন তম্না য়াম্না তোয়না পাইশিল্লকপগী থবকশিং চথুরে হায়না টাইৱানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, ঙসিসু ফায়টর জেট ৮ অমদি অতোপ্পা এয়রক্রাফ্ট অনী চয়েৎনরিবা বাসি চেন্নেলদা পাইশিল্লকপা উখি। হৌখিবা থা খরা অসিদা চাইনানা চয়েৎনরিবা মফমশিংদা মখোয়গী ফায়টর জেটশিং তোয়না পাইশিল্লক্লিবা অসিনা টাইৱানদা চরাংনবা পোকহল্লে।

টাইৱাননা কন্ট্রোল তৌরিবা প্রতাস আইলেন্দদা লৈরিবা দিফেন্স জোনদা চাইনানা চথুরক্লিবা থবক থৌওং অসি মখা তানা চথুদুনা লৈরবদি চাইনা অমসুং টাইৱানগী মরক্তা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা য়াবগী অকিবা লৈ। টাইৱানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, চাইনীজ জে-১৬ মরি অমসুং জে-১০ ফায়টর জেট মরি বাসি চেন্নেলদা পাইশিল্লকখি। টাইৱানগী মায়কৈদগী পাইশিল্লক্লিবা ফায়টরশিং অদুদা ৱার্নিং পীখিবগা লোয়ননা এন্টি-সবমেরিন এয়রক্রাফ্টশিংসু খূদক্কী ওইনা মথৌ তৌনবা শেম-শাদুনা লৈহনখি। মদুগী মতুং ফায়টর জেটশিং অদু বাসি চেন্নেল ফাওরগা সাওথ চাইনা সী তম্না অমুক পাইখি।

টাইৱানগী এয়র ফোর্সনসু মখোয়গী এয়র পেট্রোলশিং দিফেন্স জোন মনাক্তা মথৌ তৌহনখিবগা লোয়ননা চাইনীজ এয়রক্রাফ্টশিং মফমদুদগী হনখিনবা ৱার্নিং তৌখি। চাইনানা হৌখিবা থা খরা অসিদা চথুরক্লিবা থবক থৌওংশিং অসি চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদনি হায়রি।

অমরোমদা, টাইৱাননা ব্লেম তৌরক্লিবা ৱাফম অসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চাইনাগী মায়কৈদগী করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। অদুম ওইনমক চাইনীজ ফায়টর জেটশিং রুটিন এক্সরসাইজ হান্নগুম্না পাঙথোকখিবদি লৈ হায়রি।

# ইস্লামিক ষ্টেট লালহৌবশিংগী মীওৎ-মীনৈ খাঙবা ঙমদবদগী মোজাম্বিককী মীওই কয়া মফমদু থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নবা হৌখ্রে

পেম্বা, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী):

হৌখিবা চহী অনীরোম অসিদা মোজাম্বিকতা ঈশিং-ঈচাওনা চাওনা চৈথেং পীখ্রবা মতুং অমুক হন্না ইস্লামিক ষ্টেটকী লালহৌবশিংনা লৈবাক অদুগী অৱাং থংবা শরুক্তা মীওৎ-মীনৈগী থবক কয়া চথুরকপনা মরম ওইরগা হান্না খুন্দাদুনা লৈরম্লিবা মীওইশিং মথ্বায় হিংনবগীদমক মফমদু থাদোক্তুনা অতোপ্পা শাফগদবা মফমশিংদা চৎপা হৌনখ্রে, খর’মনা অফং-অফংবা থবক শুদুনা ইমুং-মনুং থাক্লবা হোৎনরি।

মোজাম্বিককী অৱাং থংবা শরুক্তা মীওৎ-মীনৈগী থবক চথুবা হৌরকখ্রবা মতুং হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই চা-কয়া পেম্বাদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। মীওইশিং অদুনা মখোঙনা কিলোমিটর ২৫০রোম চৎলগা লৈবা পেম্বাদা চঙজফম লৌবা হৌরক্লবা মতুং ইস্লামিক ষ্টেটকী লালহৌবশিংনা মীওৎ-মীনৈগী থবক চথুরি হায়না খঙবা ঙম্লকখিবনি।

পেম্বাদা থুংলখিবা মীওইশিংগী মনুংদা চাদা ৯০দি মখোয় মখোয়গী মরী-মতাশিংনা লৌশিন্নখ্রে। অদুগা লেমহৌরিবা খরা অদুনা স্কুলশিং, হোটেলশিং অমদি স্পোর্টস ষ্টিদিয়মদা টেন্ট খন্দুনা অহিং য়ারেক্লি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্স রিফ্যুজি এজেন্সী য়ু এন ঐচ সী আরনা ফোঙদোরক্লি।



মোজাম্বিকতা হৌখিবা কুমজা ২০১৭তগী হৌরগা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী লালহৌবশিংনা মীওৎ-মীনৈগী থবক চথুবা হৌরকখিবনি। কুমজা ২০১৭তগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা লালহৌবশিংগী মীওৎ-মীনৈ খাঙবা ঙমদবদগী মীওই ৬,৯০,০০০ মশাগী ময়ূম থাদোক্তুনা চৎনখ্রে।

পেম্বাদা হৌজিকসু মীওই কয়া লেপ্পা লৈতনা চঙজফম লৌবা লাক্লি। হৌখিবা কুমজা ২০১৯দা মোজাম্বিকতা থোকখিবা সাইক্লোন কেনেদনা য়ূম ৩৪,০০০ হেন্না অমাঙ-অতা থোকহনখি অদুগা মহৈ-মরোং থাবা লৌবূক হেক্টর ৩১,০০০না অমাঙ-অতা থোকহনখি। মদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী মীয়াম চাবা-থকপা মপূং ফানা ফংলক্তবদগী অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লাক্লিবনি। মখা তানা লালহৌবগী মীওৎ-মীনৈশিং অদুনা লৈবাক অদুগী মীয়ামদা অমুক্কা হেন্না চৈথেং পীরি।

অমরোমদা, পালমাদা লৈবা গুইলা কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা- মফমদুদা উপাই লৈতবদগী খুন্দা-লৈতাদুনা লৈহৌরিবা মীওইশিং হৌজিকসু চাবা ফংদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। মফম অদুগী নুপা অয়াম্বা লালহৌবশিংগী নোংমৈ মরূনা শিহনখ্রে অদুগা খরনা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখ্রে। লৈহৌরিবা নুপা খরা অদুনা নুপী অমদি অঙাংশিং থাকপা ঙম্নবা হোৎনরি।

অতোপ্পা নুপা য়াওদবা ইমুংশিংসু হিংদবা য়াদবনা মরম ওইরগা অতোপ্পা ইমুংগী নুপাশিংনা মতেং পাংলি। হান্না ঙা কিলো অমনা মহাক্কী ইমুং-মনুং চাবা কোন্নরম্মী। অদুবু মমা-মপা লৈজদ্রবা অঙাং অহুম মহাক্কী য়ূমদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। মদুনা মরম ওইরগা মঙোন্দসু অৱাবা কয়া মায়োক্লরি।

মোজাম্বিক গভর্ণমেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি তেংবাং অমত্তা পীরকপা লৈত্রি। ইস্লামিক ষ্টেটকী লালহৌবশিংনসু মফমদুদা লৈরিবা মীওইশিংদা চান-থক্লবা পোৎলম মতেং পাংলকপা লৈত্রি হায়রি।

# লেন্দমাইন শেংদোকপদা য়ু এনগী মতেং নীরি

করাকস, এপ্রিল ০৫ (এজেন্সী):

কলম্বিয়ন ঙমখৈ মনাক্তা লোনা য়াদবা খূৎলায় পায়বা মীওইশিংনা মাইন বোম কয়া থম্লমখিবা অদু লৌথোকপদা মতেং পাংনবগীদমক ভেনেজুএলানা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মতেং লৌগদৌরি হায়না প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোনা ফোঙদোরক্লি।

ঙমখৈগী শরুকশিংদা মিলিটরিনা চঙশিনখিবা ওপরেশনশিংদা লেন্দমাইনশিং অদুনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লি। হৌখিবা শগোলাশেন নুমিত্তসু লেন্দমাইন পোকখায়রকপদগী লান্মী অনী শিখি।

ভেনেজুএলাগী ঙমখৈ শরুক্তা খূৎলায় পায়বা গ্রুপশিংনা মীয়াম ওৎ-নৈবগী থবক চথুরি। মদু থিংনবগীদমক মদুরো গভর্ণমেন্টকী লান্মীশিংনা তোঙান তোঙানবা মখলগী ওপরেসনশিং চথুরি। অদুবু ঙমখৈ শরুক্কী লম্বীশিংদা মাঙজৌননা লালহৌবশিংনা লেন্দমাইন থমজিল্লম্বদগী লান্মীশিংনা মথৌ তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে হায়রি।